ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ০৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৭৩শুবা মশীং

# ইমোইনু ঈরাৎ-থৌনি
## নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং খঙগদবনি

ঙসিসু ৱাকচীং থাগী ১২নি পানবা নুমিৎসিদা মহৌশাগুম 'ইমোইনু' গী ঈরাৎ-থৌনি থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। থৌরমসি মীতৈ হায়বা ফুরুপসিনা পোইরৈতোননা খুন্থোকখিবা মফমসিদা মীহৌরোলদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা ফুরুপসিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরু ওইবা থৌরম অমনি। থৌরমসি পাঙথোকপা, থৌরমসিগী মনুংদা চেল্লিবা ফজখ্রবা মরু ওইবশিংনা ঙসি ফাওবা মীরোলসি লৈহল্লকপা খ্বাইদগী চাওবা থৌদাংশিং লৌরক্লি হায়বা য়াগনি। মীওইবা ফুরুপ্পা মতম-মতমগী ওইবা সাইন্সকী অনৌ-অনৌবা পোৎলম কয়া পুথোরক্তুনা খম থেংনা চাওখৎলবসু মীপূম খুদিংমক্না তন্নিবা, ফারিবা পাড়া খুদিংমক মাগী মাগী ইমুংদগী হৌরকপনি হায়বসিদি ককচীংঙাই লৈতনা চুন্নবা ৱাফমনি। স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংনা মতমগা চুনবা অহেনবা লৌশিং তানশিনফম ওইরবসু মীওই অমগীদি ইমুং হায়বসিদগী মহাক্কী মশক লেপ্পা হৌরক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা মীতৈগী য়ূম খুদিংমক্তা মথৌ তাবা অমসুং মশাগী ৱাহন্থোক লৈজবা কায়াৎলোন লৈজরকই। ইমুং অমদা মচা নিংঙোল অমসুং পিবাশিংনা করম্বা মফমদা লৈগদগে? ইমুংদুগী অহল-লমনশিংনা কদাইদা লৈগনি হায়বা য়াওনা লাইনিংথৌ-লৈমরেলগী খুভম-ঈরাৎফম অমসুং ফুঙ্গা লাইরুগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং লৈরকই অমসুং মফমশিং অসিগী ওইবা নুংগী ৱাহন্থোকশিং লৈজরকই। ইমুং অমগী লৈফম থোকপা কায়াৎশিং অসিগী তোপ-তোপ্পা মতিক-ময়াই লৈ। খুদম ওইনা সাইন্সনা খম থেংনা চাওখৎলক্তুনা নোংদোল অতিয়া ফাওবগী মপু ওইবা ঙন্নক্লবসু হিংবদসু-শিবদসু চংলিবা 'মৈ' হায়রিবা পোৎলমসি মীতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা শুংমুৎ মৃৎহন্দনা থন্নকই। নুমিৎ তাখ্রবা মতুং নুমিদাং ওইশিল্লক্তুনা ঈংশিল্লকপদগীনা নুমিদাংগী চাক-ঈশিং চাদুনা তূমদ্রিঙৈগী মরক্তা চাকঙাই ৱারী হায়রগসু খঙনবা 'ফুঙ্গা ৱারী' শিং ইমুং অমগী অহল-লমনশিংনা ফুঙ্গা মনাক্তা মচা-মাশুশিংবু ইকোই কোইনা ফমহল্লগা লিদুনা তাহল্লি, তাকপী-তন্বী। নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা মাগী মাগী মথৌ পাঙথোক্তুনা থবক-ইনখাং তৌনরুরবা মতুং নুমিদাংগী চাক ঙাইরিঙৈদসু পূম্নমক্কী মৈরা ওইগদবা লৌশিংশিং য়াওবা ৱারীশিং লিবগী চৎনবী লৈরকই। হৌজিক্কী মতমদনা কনফরেন্স, সেমিনার নৎত্রগা এৱ্যেয়ার্নেস অমদি সেন্সিটাইজেসনগী প্রোগ্রামনচিংবা হায়নরিবা অসিমক্লি লৌবা য়াই। ফুঙ্গা ৱারীদা য়ূম্বানলোন, চৎনবী, নাৎ, থৌগল্লোন অমসুং থকসি-খাসিনচিংবগী খঙজিন্দবা য়াদবা কান্নবা ৱাফমশিং য়াওই।

হায়রিবা পূম্নমকসিগী মফম ওইরিবা ফুঙ্গা লাইরুসিদা ইমোইনুগী খুভম থম্মী। ঈরাৎ-থৌনি পাঙথোকই। মপান্থোংদা চাকহোঙ-ঙাহোঙনবীনবা অমসুং ৱাত্ত-পাদবা ইমুং অমা ওইহনবীনবা থৌনিনজরবসু থৌরমসিনা মীওইবা অমনা হিংবদা চঙবা পোৎলম-চৈরমশিং অমসুং চৎন-কাঙলোনশিংগা শাগোন্নবা থৌরমমক্লি হায়বা য়াই। থৌরমসিগী মনুংদা মমা-মপা, মবুধৌ মবেন্থৌ, মচিল-মনাওশিংগী মরক্তা থক-খা খঙননা মিঙ্গৌনবা অমসুং ঙাক্লা চৎনবগী ফজরবা পরিং অমসু য়াওরি। চুম্নতগী হাওরবা ঙা অঙৌবা য়াওনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং কৎতুনা ৱাত্ত-পাদবা পীনবীয়ু হায়দুনা খুরুম্নবগী মথক্তা অসিগুম্বশিংসিনা লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈজরবা মীওইশিং ওইজবা ঙম্নবা হোৎনগদবগী ইহুল অমসু পীগদবনি, ফাওহনগদবনি। মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূম্নমক মশা মশাগী লৈজরিবা পুন্সিগী মতম অদু ফাওবা হিংনবগীদমক চাদবা য়াদে, থক্তবা য়াদে। মরম অসিনা মথৌ তারিবা পোৎলমশিং অসিবু তানশিন্দুনা মসিগী মপু ওইননবা হোৎনগদবনি। মসিসু অচুম্বা অশেংবা লম্বীদা চৎলগা হোৎনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোনসু লোয়নরিবনি। তশেংনমক ইমোইনু ঈরাৎপগী থৌরমসি মতমগী মতুংইন্না মীওইবশিংগী পুন্সিদা অহোংবা অমসুং অওনবা কয়াগা শাগোন্নদুনা লাক্লবসু ঈরাৎ-থৌনি থৌরমসিমক্তি শাগোন্নরক্লিবা মীতৈ ফুরুপশিং খক্তা নত্তনা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্নসু থৌরমসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং চেনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নীংই। লৈঙাক্নসু নুমিৎসিগী মরু ওইবশিংগীদমক য়েংলগা থৌরম অসি করিনো? ইমোইনু হায়রিবা অসিনা কনানো? করিগীদমক মীতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংদা নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোক্লিবগী মরমশিং হৌজিক্কী খঙদ্রিবা মীরোলশিং অমসুং তুংদা হৌরক্কদবশিংদসু খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। লাই থাজবা হায়বসি মীওইবা অমগী পুন্সি লম্বীদা অফবা পান্থে ওইগদৌরিবনি। লাইমিংদা ফজ খ্রবা চৎন-কাঙলোননি। লাইবু থাজরবদি মসিগা শাগোন্ননা চৎলিবশিংনা মীওইবগী লিচৎ নত্তবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তবদসু মতেং ওইগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **"করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেন্লেনে/তখেল্লে শংৱ্রে লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্প থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **"ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"চীংনা ঐগী পন্থৌ তম্না ঐগী পলেম"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **"অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"মমি তাদ্রবা মী"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

# অনৌবা চহী লাকপসিদা মঙাওথীবশিংগী সংসার ওইহনগুমসি

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩৪

জিতেন নামৈরাকপম



ঙসি ৱাকচীংগী ১২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ, কুমজা ২০২৩, জন্যুৱারী ৩ (গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী মতুংইন্না) মৈতৈগী শেংলবা ইবেন্থৌ ইমোইনু ঈরাৎপা নুমিৎ হায়বদু লাক্লে। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্লগদৌরিবা ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি থৌরমগী মাঙওইননা উত্রা শঙলেন সনা কোনুং অমদি মায়কৈ কয়াদগী য়াইফ পাউজেল পীনরকখ্রে। তশেংনা হায়রবদা ইমোইনু ইবেন্থৌগী ৱারী অসি রেদিও লীলা তাবদা অদুসু খুঙ্গংগী থৌরম নুমিদাংদা চালাম্বনা হনুবী অমা মনঙ্গন্দা মমা পিয়াইনুগী য়াথংদা পোরগা পুরকখিবা, হনুবীনা মশা অদু খংলূম লূমহল্লগা মাঙখিনবা হোৎনবা, অদুগা ইরোয় লোইবদা ফুঙ্গা লাইরুদা ইবেন্থৌনা লৈখিবগী লীলা অদু অঙাং ওইরিঙৈদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইখি। ঙসিসু নুংঙাইরি। হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা, গৌরিয়া ধর্ম্ম চৎপশিংগী লনগী লাইরেম্বী মবেম্মা লক্সমি লৈবগুম ঐখোয়গী মৈতৈগী ওইনসু লৈরম্মী লনগী মবেম্মা ইবেন্থৌ ইমোইনু লাইরেম্বী। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মরু ওইনা মৈতৈশিংগী য়ূমথোঙ খুদিংদা নুমিদাংৱাইদা অথেনপোৎ শারেং নৎত্রগা অঙৌবা মখলগী ঙা কৎলগদৌরি, ৱাত্ত-পাদবা, অনা-অয়েক য়াওদবা, নুংঙাই-য়াইফনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা, তৌরু-তৌরুবা থবকশিংদা মায় পাক্লবগীদমক মৈ থান্দুনা পূন্নং লংহল্লগা থৌনিজগদৌরি। চহী হেক হৌরকপগী মতমদা ইমোইনু ঈরাৎপগী তাবা অসিমদি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি হায়নীংই।

ঙরাং নহান্তনি মেরি খৃষ্টমাস, বাই-বাই ২০২২ অমদি হেপ্পি ন্যু য়র ২০২৩ লোইখিবা। কুম্মৈ ৱাত্তবা লমদম, লেন্দ ওফ ফেষ্টিবেলদা কুম্মৈ ৱাত্তে মণিপুরদা। মৈতৈশিং অসি য়াম্না নুংঙাইথোকপা ফুরুপ অমদি ওইবজাৎনি। মতম অমদা মীশিং য়াম্লমদে। লৌ, ইঙ্খোল চাওনা চাউনা লৈনরম্মী। লৌ খরা শুরগা, ইঙ্খোল খরা কোয়রগা চহী চূপ্পগী চাবা কোন্ননবা কৈ-দা ফৌ হৈজিন্দুনা থমখ্রগা চহী চূপ্পা হরাউ কুম্মৈ নুংঙাইবরোমদা য়াম্না পোঙনা, চাউথোক্না কনাগীসু মখা পোন্দনা হিংলম্বা ঐখোয়গী ইপা ইপু ওইরম্ব্রা খল্লি। অদুবু হৌজিক্তি ফজরে মতম অমগী এস টি, মৈতৈ সোসিও ইকোনোমিক ষ্টেটসতা অসুম অসুম শোন্থরক্লি। হান্নগী ষ্টেটস সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী হিংলম ঙাকলোনদা হিংজগে হায়বদা মায়কৈ কয়াদগী অথিংবা পীরক্লিবা অসিনি।

অদুগা অমুক কমদৌবা! হৌজিক্কী হৌরক্লিবা নহাশিং হায়বা তাই, পূম্নমক নৎত্রগসু অয়াম্বনদি থকসি-খাসি ব্যবহার য়াওদবা অসুক্কী মতিক য়াম্না থেংনরে। অদোম অদোমগী খূবাক্তা পায়রিবা স্মার্টফোন হাংদোক্তুনা ফেসবুক নৎত্রগা য়ুট্যুব অমুক্তং হাংদোক্তুনা য়েংবদা থেংনবীরমগনি। ওন্থোক ওন্থোকপা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ঙাঙন শক্নরমদবা খুল্লক্লোন কয়া কয়া। মানা মানা ঙাঙনীংবতা ঙাঙই। মচিন থীবদা ইকায়নদবগী মওংদা অপাম্বা মওংদা তৌনরক্লে। সোসল মীদিয়াবু মপু পান্দবা সেন্সর তৌদবা হায়নীংবতা হায়বা, ইনীংবতা ইবা য়াবগী মওংদা চখনরকখ্রে। মসিদি লাইবক থীবনি। ইমুং মনুং ইপা-ইচা, মমা-মচানা তাবদা হঙ্গোইবা ৱা কয়া অমা ঙাঙনরক্লি। মসিদি কনানসু থিংবা ঙমগদবা মান্দে। য়ুট্যুবর ওইরিবা মমা-মপা, মচিল-মনাও, অহল-লমনশিংনসু মখোয়বু ৱাখল তাহন্নীংবগী অপাম্বা লৈজে। ঙাউশিন্নরগা নুংঙাইজে হায়বগী ৱাখল থাদোকহন্নীংই।

হরাও কুম্মৈগী লমদম অসিদা কা হেন্না অয়াকপা ৱাহৈ হায়বা, অকায়-অতোয় থোকহনবা মীওইশিংদি ৱারকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনীংই। খুন্নাইগী চৎনবীগী ৱাংমদা পরম-পরা, নীতি নীয়ম নাইদবশিংদি আইনগী মতুংইন্না লোকঅপ্তা নমশিনবা, জেলদা থমজিনবফাও য়াওদবা নত্তে। মীদি তোকখ্রসি শা ফাওবদা জুদা থম্বগী মহুত্তা জেলদা থম্বগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রে। কুমজা ২০০৯গী ওক্টোবরদা ফীট তরুক মখায় শাংবা গুমভির অমা ওষ্ট্রেলিয়াগী টাউন অমদা কোয়চৎ চৎতুনা শান্নরম্বা পল্লিক্তা অকায়বা থোকহনবগীদমক নোর্দন টেরিটোরিগী গুনবলানয়া পুলিসনা ফারগা সোল্ট ক্রোকোদাইল অদু নুমিৎ হুমনি জেলদা নমশিনখি। মী নত্তে, ফরক তারকপদগী শা ফাওবদা জুগী মহুত্তা জেলদা থম্নরবা মতমনি। নোর্দন পোর্টুগলদদি জেলদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবা বন্দি অমা চহী ১৬কী মতুংদা অমুক হন্না কুমজা ২০০৯দা ফাখি। মকোয়, মশম হায়নীংঙাই লৈতনা শাংলবা প্রিজনর অদু চীংনুংগী শুরুং অমদা শাংলবা মতম অদু লোৎতুনা লৈরমখি। জেলদা লৈগদবগী শরুক কৈ-নোংশাগুম নীংতম্না শুরুংদা লৈজগে হায়বগী ৱাখলদা লৈবা মীওই ওইরমখি। অফং-অফংবা হৈ-রা খরা চারগা হিংলম্বা মীওই ওইরমখি। জেলদা চঙবা হৱাই থোংবা চানীংবা মীবু কনা লৈবগেনে? তৌবতবু জেলদা চঙনীংবা মীসু অদুম্মক লৈরম্মী। জিওরজিয়াগী কেমদন কোর্ন্টি জেলদা অঙকপা থৌদোক অমসু থোকখি। জেলদগী চেন্থোক্লুরবা চেন্থোকখিবসু খঙহৌদ্রবা প্রিজনর অমা জেলদুদা মথন্তা অমুক তূমিন্না লিৎশিল্লকপদা জেল্লর গার্দ অদুনা ফাখি। কুমজা ২০০৯দা থোকখিবা থৌদোকনি। বন্দিদুনা চেন্থোক্লুবদু করিগী ওইরমগে হায়বদা জেলদুগা নক্কনা লৈবা সরক্কী ৱাংমদগী চুরুট নিরগা থকপা চৎপা ওইরম্মী। জেল মনুংদুদদি চুরুট, বিড়ি, হীদাক মনা ফংদবনিনা চুরুট থক্লিংবনা খাঙবা ঙমদবদগী ঙাইহাক চেন্থোক্লুবজাৎনি। মসিসু থাজবগী ৱাংমদা থোকখিবা জাৎ জাৎকী থৌদোকনি।

কুমজা ২০২৩ হৌরকপা মতম অসিদা হৌজিক ফাওবদি থোইদোক্লা কা হেন্না নুংঙাইতবা থৌদোক থোক্ত্রগসু কারন তুরন তৌবগী থৌদোক য়ারিবমখৈ নৎত্রগসু শুকথোক থোকহল্লগুমসি। অনৌবা চহী ২০২৩বু তরাম্না ওকসি, হেন্না ফবা, নুংঙাই-য়াইফবা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবদা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং লৌমিন্নসি। হৌজিক ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবুসু পুন্সিদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবগীদমক য়ারিবমখৈ চেকশিহন্নীংই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯৯

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

চয়োল অমগী মনুংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎসি অইবগী ওইনা পাউচেসিগী "ৱাখল ইহুল" হায়বা অপীকপা কাখলসিদা পাবীরিবশিংগী মফমদা করিগুম্বা খরা হেক হেক পাউদমজবগী তাঞ্জাদু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০, ২০২২, লাংবনগী ২৫নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ তাবসিদা অয়ূক্তনা মথক্কী (i) অদুগা নুংথিলদনা মথক্কী (ii) গী মরমদা মীয়ামদা পাউদমজনবগী খুদোংচাবা খরা ফংজরকপগীদমক নুংঙাইবা ফাওজখি। তাথীবীগনু, মথক্কী (ii) গী মতাংদা অইবগী ওইবা ৱাখল্লোন মখাদা অসুম্না থমজরি।

মমাঙ চহীগী লাংবন থাসিগী মনুংদা ঈনাৎকী ওইনা লুক কৎপগী থৌরম খরা মফম খরদা পাঙথোক্লুবা চৎলুবদা মফমশিংদুদা ঙহাক্কী ওইনা থেংনবা চহী ৭০গী মথক ওইরবা মীওই খরনা খঙনীংনা হংলকপগা সেপ্টেম্বর ২০, ২০২২ লাংবনগী ২৫নি পানবা লৈবাকপোকপা নুংথিলদনা লাংফম ফত্তবগী ঙাক্লৌ ওইগদবা থৌরম পাঙবা য়াওবা লাকপা অতোপ্পা খরনসু খঙনীংনা হংলকপগা চপ মান্নবনা মতমসিগী খুন্নাইগী ওইবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা হায়বা তারবদি মতুং লাক্কদবা কুমজাশিংদা লাংবন থা খুদিংগী লমদমসিগীদা নত্তনা অরাপ্পা মফমশিংদা পূন্না অমদি চোইজাইননা খুন্দাদুনা লৈরিবশিং/ঈয়েকচাশিংনা লাংবন হৈশোই তম্বা/কৎপা, লাংবন লুক কৎপা শোয়দনা পাঙথোকফম থোক্লে হায়না থমজরি।

নোংদা লাইরেন পাখঙবগী হেক মমাঙদা ঙাংজেংসুনা পানখি। হয়ি চক্তগী ঙাংজেংসু ফাওবদা নিংথৌরোল ১৬৩ পানখি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা বোধচন্দ্র নিংথৌ ফাওবদি নিংথৌ ৭৪না চহী ১৯২২ পানখি। (সাপমচা সনাতোম্বা/ভৈগ্য) না এদিট তৌবা লাইরিক 'সনামহী লাইনিং' গী চেমায় ৪ অদুবু শ্রী লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং শ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা সম্পাদন তৌবিবা চৈথারোল কুম্বাবদা (১৯৬৭তা অহানবা ফোঙখিবদনা) নোংদা লাইরেন পাখংবদগী মৈদিংঙু বোধচন্দ্র ফাওবদা নিংথৌরোল ৭৬নি হায়না ইরি। (মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র - খোমজিনবা : লমাবম গোজেন্দ্র, চেমায় ২৪, ২শুবা মকক)।

মথক্কী নিংথৌরোল ১৬৩ থাদোক্লগা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা মৈদিংঙু চরাইরোংবা ফাওবনা অহানবা তাঙ্কক ওইরগা মৈদিংঙু পামহৈবদগীনা বোধচন্দ্র নিংথৌ ফাওবনা অনীশুবা তাঙ্কক ওইনা তাঙ্কক অনী থোক্লা খায়দোক্লগা নৈনবা য়াই। মৈদিংঙু চরাইরোংবা ফাওবদি কংলৈপাক/কংলৈ হায়না কৌরগা হিন্দু লাইনীংগী ইথিল য়াম্না কন্না লৈখিদে হায়না লৌগনি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী মৈদিংঙু পামহৈবদগীনা বোধচন্দ্র ফাওবদি হিন্দু লাইনীংগী ইথিল মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা শান্তিদাস গোসাইগী চিরোল খারোলদগী কংলৈপাক কৌরম্ববু মীরমগী মরোলদা মণিপুর হায়না ওন্থোক্লগা মীরমগী লাইনীংগী ইথিল খুমাং য়াম্না চাওশিল্লকখি। মীয়াম্না হেন্না খঙদুনা লৈরবনিনা শুপ্নতগী হৌজিক ফাওবা মনম কোকফাৎত্রিবা য়েক তরেৎপু মখোয়গী গোত্রদা ওন্থোকখিবসিতমক খন্ননবা লৌখৎচগে। মীতৈ/মৈতৈগী য়েকসিগী এলিয়জদি ময়াংগী গোত্রনি। হিন্দু লাইরিক অমা ওইবা পি এম বাকচির ডাইরেক্টরী পঞ্জিকাদা মপূং ওইবা গোত্র মশীং ৫০ অদুগা মশা ওইবা গোত্রনা মশীং ২০৮ ইদুনা য়াওরি। (গোত্র প্রবরপালা হায়বসিদা)। মণিপুর/কংলৈপাকসিদা হান্নদগী লৈরকপা য়েক ৭পু ময়াং মখোয়গী গোত্র মশীং ২০৮সিগী মনুংদগী অমুক মপা মপু ১১ রোমদা শায়েন ঙায়েন তৌরগা য়েক ৭কী মনুং চনবা শাগৈচাশিংবু মখোয়গী চাওরাকপা গোত্র মশীং ১১দা চায়থোক্লগা য়েক্তা গোত্রগা মান্নহল্লি। ময়াং মখোয়গী গোত্রদা ওন্থোক্লে হায়রবা ঈনাৎকী য়েক ৭কী ঈয়েকচাশিংদি - মশা মশাগী য়েক্তা চান্নবা শাগৈশিংগী য়ূম্নাকসু হোংদে, শাগৈগী অপোকপা-অপোকপীগী চহীগী চাক্লোন কৎতুনা নুংঙাই-য়াইফবা ওইহনবীনবা, অৱা-অনা তাগদবদগী ঙাকথোকপীনবা ঙাক্লৌ কয়া অমগী মতাংদা শাগৈগী অপোকপা-অপোকপীগী থৌরম পাঙথোকপা নুমিৎতা খোইয়ুম লাইপাউ/পাউতাক পাউজেল কয়া পীবিবদু হৌজিক ফাওবা লেপ্পা লৈতনা থাদোক্তনা ঈগী লিক্লম পারি পুরিগী খোঙলম ঙাক্ন া/কায়দনা চথুরি। মুন্না খন্থরবদি মীরম লাইনীংগী গোত্রগী চন্নফম করি লৈরি। মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়গীদি 'নুং-পান' হায়দনা হীরম অয়াম্বদা লৈ। নুংগী মনুং চনবদনা য়েক্তা চান্নবা শাগৈ, শাগৈগী ওইনা লৈবা অপোকপা-অপোকপী অনীগী চহী কুমজা খুদিংগী চাক্লোন কৎলগা য়াইফ-নুংঙাই ওইহনবীনবা থৌনিজবগী থৌরম পাঙথোকপা, লুহোংবা/লু-হোংবা মতমদা য়েক সলাইগী অপোকপা-অপোকপীগী অমদি লম লাইগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী পোৎচং চৈচং পুনবা/হাপ্পবা, ইবুধৌ পাখঙবগী ময়েক মশোন লোনবা ফিগে ফনেক- নুপীশিংনা শেৎপা, গোত্র মচা ওইবা ময়াংশিংনদি তৌদবা কয়া ঙসি ফাওবা মুৎতনা, পরিং পথাপ কায়দনা চথুরি। শুপ্নতগী ময়াং মখোয়গী পানগী ওইবা চৎনবীদা লাইপক্তা হান্না মালেম লৈশা/পকশা নন্নম্বদুগী মহুত্তা মীরম গোসাইশিংনা থিনবা খূৎথিন নত্তনা ফিশেৎ চাকচাদা ময়াংগী শাড়িনচিংবা অমত্তা চৎনদে। শুপ্নতগী খেন্নবা হায়ববু ঈরাৎকী চৎনবীদা য়েক্তা শোনবগী মহুত্তা গোত্রদা শোনবা খক্তনি। শোনবদি ঐখোয়গীসু শোল্লি, মখোয়গীসু শোল্লি। চপ মান্নবা মীশকশিংদা/পোৎশক্তা চানবা মমিং থোল্লগা/কৌরগা খেন্নবা মালহনবগী ৱাফমতনি। খুদম, ঐখোয়না হৈনৌ কৌবসি ময়াংনা আম অদুগা ইংলিসতনা মেঙ্গো হায়জরবসু উহৈদি অমত্তনি। অদুনা মীরমগী গোত্রনা ঈনাৎকী য়েক্কী মহুৎ শিল্লে হায়রিবসি কান্নদবা পোৎনি। মীরম মখোয় অশেংবা মশেলগী মরক্তদি ঐখোয়না করিসু হায়নীংঙাই লৈতে, মুকশনগীনি হায়বা তৌরিবসিদি কান্নফম/চন্নফম লৈতে হায়বা য়াই। পামহৈবা নিংথৌবু গরিবনিৱাজ মহারাজ, থম্বালবু গোমতি মহারানি, কংলৈপাকপু মণিপুর হায়না ওন্থোকপদা মীশক অমদি লমবু হোংব্রা? মী অমগী মমিং খরা, পোৎশক অমগী খঙনবা মমিং খরা লৈবদা ইংলিসতা 'এলিয়জ' হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নরবসু মীশক অমদি পোৎশক্তুদি অমত্তনি হায়বসি খঙবা/য়াবা ঙমদ্রবদি মহাক্তু মীদি ওইরগা মীগী ৱাখল লৈতবা মখল অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ৱারৌবীগনু, অশেংবা থৌওংবু হায়জবগী ৱাফমনি। পামহৈবা নিংথৌগী মতমদা মশানা পামজনা লৌরুবা মীরম রামান্দি লাইনীং লৌ য়াদে হায়দুনা মহাক্কী মীচম মীয়াম কয়াবু মিহাৎ থীনা হাৎপীখিবগী পাউদম লিলোং থোংগী নোংপোক পাংবদা লৈবা ইরোং অহুম ফাংবনা মতম চূপ্পগী ওইনা পাউদমদুনা লৈরিবসিগী মথক্তা ওক্টোবর ৪, ২০২২, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাউচেসিমক্কী কলমনিষ্ট ওইবী ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনিনা ইবা মাগী আর্টিকল (ৱারেং) দসু মতমদুদা রামান্দি লাইনীং লৌ হায়বদা ককচীংগী ফম্নাইবা মায়চৌ তরেৎনা ইনখিদে/য়াখিদে হায়বগীদমক চৈরাক ওইনা মখোয় মায়চৌ তরেৎপু ঙবোং খাউদা নমশিল্লগা "ক্বাকপা ঈরেলগী ঈশিং" দা অঙাং ওলহনখিবগী থম্মোয় শোকপা ৱারী লৈবগুম, থম্মোয় শোকপা অতোপ্পা ৱারী কয়া অমসু তুংদা পাউদম্নরকখিবগী ওইথোকপা লৈরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। থমজনীংলিবা ৱাফমদি - হৌজিক্তদি মীরম লাইনীং নম্ফুদা চৎহন্দুনা য়েকপু মীরম লাইনীংগী গোত্রদা ওন্থোকখিবসিগী চন্নফম থোয়না করিসু লৈতে খঙলবনিনা মীরম লাইনীং লাইশোন থাদোক্লগা - ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন্দা ওইনা হনজিল্লগা ইশাগী ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন্দা অমুক ওনশিনবা মতম চপ চারে হায়না থমজগে।

মখা তানা মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা মশানা তৌখিবশিংসি হৌজিক্তদি মথোং হুক্তবা থবক থৌওংমক্তনি শোয়দনা হায়গনি। খোইয়ুম লাইরেম্বা-খোইমোম লাইরেম্বীশিংগী শকপাল অমদি শঙলেন থুগাইবা, পুয়া মৈ থাদোকপা, লৈখিদ্রবা অহল লমনশিংগী থৱায় মিরেলশিংদা লাংবন থাদা কৎলম্বা পোৎলমশিংবু মীগী মপা মপুগীদা ওন্থোক্লগা কৎপা হৌবা য়েকপু মরী মখোঙ শম্নদবা মীরমগী গোত্রদা ওন্থোকপা/অসিনচিংবা শন্নপ্পা পনবা য়াই। ●